ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses



দেন্টেল কোলেজ কন্ত্রেক্ট ইমপ্লোয়ি ৱেলফ্যের এসোসিএসননা শীন্দুনা দেন্টেল কোলেজগী লাইব্রেরি হোলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড টুরিজম দে অমসুং ইরাবত দে থৌরম লামায় ৩





লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংনা বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্ভ এগজামদা মায় পাক্লকখ্রবা অফবা মহৈরোয়শিংদা মনা পীখিবা



মণিপুর টুরিজম ফোরমনা শীন্দুনা টুরিজম এন্দ রুরেল দিভেলপমেন্ট হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড টুরিজম দে ২০২০গা মরী লৈননা ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়ম নম্বোলগী কেম্পসতা উ চারাশিং থাখিবা






এইমসনা শীন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকখিবা

Vol. 44, Issue No.183 | নিংথৌকাবা, মেরাগী ১২ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, September 28, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## জসৱান্ট সিংহ লৈখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :



লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অটল বিহারি ভাজপায়ীগা নকশিন্ননা থবক কয়া তৌখিবা বি জে পিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জসৱান্ট সিংহ মতম শাংনা নারল্লগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ৮২ শুখ্রে।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জসৱান্ট সিংহনা লৈখিদবা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং অতৈ মকোক থোংবা বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লখ্রে। ভাজপায়না লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী মতমদা লৈখিদ্রবা জসৱান্ট সিংহনা ফাইনান্স, দিফেন্স অমসুং এক্সটর্নেল এফ্যেরসকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরমখিবনি।

## নুপা ১ মখোঙ মখুৎ থৌরীনা পুল্লগা শিদুনা লৈরল্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :

ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্যাম্পগী ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ইবুধৌ পাঙম্বগী মান্দোপতা নুপা অমা মখোঙ অমদি মখুৎ থৌরীনা পুল্লগা শিদুনা লৈরল্লে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং অথোকপম নাউতোন (৩৬) অপোপা এ সামুঙৌ কৌই। মহাক উচেকোন লাই মুরিবা লাইকোন দা লৈবনি। মফম অদুদা অশিবা হকচাং অমা লৈরে হায়বা অসি ঙসি নুমিদাংৱাইরম মীয়াম্না খঙনরকখিবনি। থৌদোক থোকফম অদুদা মোবাইল ফোরেন্সিক য়ুনিটকী কাংবু অমদি ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মকোক থোংবা ওফিসরশিং অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি য়াওনা লাক্লুনা য়েংশিনখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইবুধৌ পাঙম্বগী থৌগল তৌবা ক্যাম্পগী ময়ায় লৈকায়দা লৈবা কোইজম বাবুধোন এলিয়জ পাঙম্বা (৪৬) অপোকপা কেদিনমনি য়াওনা মীওই ৮ পুলিসনা ফাগৎখ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

### HL Poll

Q: Manipur bu Tourist singgi destination ama oihannaba leingakki mari leinabasingna matik chaba thourang thousil paikhatli khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur Legislative Assembly gi hangduna leiriba seat kharagi By-Election matam khara yeithokhanningbra?

Yes 56% No 44%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৬৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৩২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.১১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!





## চীফ মিনিষ্টরনা পায়রম্বা পোর্টফোলিওশিং হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে, মিনিষ্টর ৫না পায়গদবা পোর্টফোলিওশিংসু লাউথোকখ্রে

# হেল্থ অমসুং আর্ট এন্দ কলচরদি নৌনা মিনিষ্টর ওইরবশিংদা পীখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর ৬ লৌথোক্লগা অনৌবা মিনিষ্টর ৫ হাপচিনখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পায়রম্বা পোর্টফোলিওশিং হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে। অনৌবা মিনিষ্টর ৫না পায়গদবা পোর্টফোলিওশিংসু লাউথোকখ্রে। হেল্থ অমসুং আর্ট এন্দ কলচরদি নৌনা মিনিষ্টর ওইরবশিংদা পীখিদ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী বিজিনেস রুল্সকী রুল ৬(১)গী মতুংইন্না থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, মিনিষ্টর শোরোখাইবম রাজেন, মিনিষ্টর ভুংজাগিন বালতে, মিনিষ্টর ওইনাম লুখোই, মিনিষ্টর থোকচোম শত্যবর্ট অমসুং মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং লাউথোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হোম, পর্সনেল, প্লান্নিং, রেভিন্যু অমসুং অখন্ননা এল্লোকেট তৌদবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক; মিনিষ্টর শোরোখাইবম রাজেননা এদ্যুকেসন, ফিশরিজ অমসুং সী এ দি এ (কাদা); মিনিষ্টর বুংজাগিন বালতেনা ট্রাইবেল এফ্যের্স এন্দ হিলস, ট্রান্সপোর্ট অমসুং জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেটিব দিপার্টমেন্ট (জি এ দি);



**চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং:** হোম, পর্সনেল, প্লান্নিং, রেভিন্যু অমসুং অখন্ননা এল্লোকেট তৌদবা অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক



**মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং:** এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি, টুরিজম



**মিনিষ্টর বুংজাগিন বালতেনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং:** ট্রাইবেল এফ্যের্স এন্দ হিলস, ট্রান্সপোর্ট, জি এ দি



**মিনিষ্টর শোরোখাইবম রাজেননা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং:** এদ্যুকেসন, ফিশরিজ, সী এ দি এ (কাদা)



**মিনিষ্টর থোকচোম শত্যবর্টনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং:** কঞ্জ্যুমর এফ্যের্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন, লো এন্দ লেজিসলেটিব এফ্যের্স, লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট



**মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং:** মমহুদ, সোসল ৱেলফ্যের, কোওপরেসন

মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি অমসুং টুরিজম; মিনিষ্টর থোকচোম শত্যবর্টনা কঞ্জ্যুমর এফ্যের্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন, লো এন্দ লেজিসলেটিব এফ্যের্স অমসুং লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট অমদি মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিদা মহুদ, সোসল ৱেলফ্যের অমসুং কোওপরেসনগী পোর্টফোলিওশিং পীখ্রে।

নৌনা মিনিষ্টর ওইরবশিংগী মনুংদা মিনিষ্টর শোরোখাইবম রাজেনদা পীরিবা পোর্টফোলিওশিংগী মনুংদা য়াওরিবা এদ্যুকেসন অসি মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা বি জে পিগী এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামমনা হান্না পায়রম্বনি। অদুগা ফিশরিজনা মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা এন পি পিগী এম এল এ এন কাইসিনা পায়রম্বনি। অদুগা কাদানা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পায়রম্বনি।

মিনিষ্টর বুংজাগিন বালতেদা পীরিবা পোর্টফোলিওশিং অসিগী মনুংদা ট্রাইবেল এফ্যের্স এন্দ হিল্সনা মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা এন পি পিগী এম এল এ এন কাইসিনা পায়রম্বনি। অদুগা ট্রান্সপোর্ট অমসুং জি এ দিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পায়রম্বনি।

মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইদা পীরিবা পোর্টফোলিওশিং অসিগী মনুংদা এগ্রিকলচর অমসুং ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজ বেন্দ্রিনা মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা বি জে পিগী এম এল এ ভী হংখালিয়াননা হান্না পায়রম্বনি। অদুগা টুরিজমনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পায়রম্বনি।

মিনিষ্টর থোকচোম শত্যবর্টদা পীরিবা পোর্টফোলিওশিং অসিগী মনুংদা কঞ্জ্যুমর এফ্যের্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসননা মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা এল জে পিগী এম এল এ করাম শ্যামনা পায়রম্বনি। লো এন্দ লেজিলেটিব এফ্যের্সনা মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা এন পি পিগী এম এল এ এজ জয়ন্তকুমারনা পায়রম্বনি। অদুগা লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্টনা মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা বি জে পিগী এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামনা পায়রম্বনি।

মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিদা পীরিবা পোর্টফোলিওশিং অসিদা য়াওরিবা মাহুদ অসি হান্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পায়রম্বনি। অদুগা সোসল ৱেলফ্যের অমসুং কো-ওপরেসননা মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকপদা য়াওখিবা বি জে পিগী এম এল এ নেমচা কিপগেননা পায়রম্বনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪দা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর ওইরম্বা ৬ লৌথোক্লগা অনৌবা মিনিষ্টর ৫ ৱাশক লৌখিবনি। মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখিবশিং অদুদা বি জে পিগী ৩, নেসনল পিপলস পার্টিগী ২ অমসুং এল জে পিগী ১ য়াওখি। অদুগা লমশাং এ সীদগী বি জে পিগী এম এল শোরোখাইবম রাজেন, য়াইস্কুল এ সীদগী বি জে পিগী এম এল এ থোকচোম শত্যবর্ট, থাংলোন এ সীদগী বি জে পিগী এম এল এ বুংজাগিন বালতে, কোংগ্রেসতগী তোক্লগা বি জে পিদা নৌনা য়াওরকখিবা ৱাঙ্গৈ এ সীদগী এক্স এম এল এ ওইনাম লুখোই অমসুং ৱাঙ্খৈ এ সীদগী এক্স এম এল এ ওক্রম হেনরিনা নৌনা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেটিব দিপার্টমেন্ট (জি এ দি) গী অন্দর সেক্রেটরিনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমনা মিনিষ্টর শোরোখাইবম রাজেন, মিনিষ্টর বুংজাগিন বালতে অমসুং মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইগীনা ওল্ড সেক্রেটরিয়টতা, মিনিষ্টর থোকচোম শত্যবর্ট অমসুং মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিগীনা ন্যু সেক্রেটরিয়টতা ওফিস রুম এল্লোট তৌখ্রবনি।

## ঙমথং হাওকিপ অমসুং পি ব্রোজেন এদভাইজর টু সী এম ওইনা হাপখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

সাইটু এ সীগী এক্স এম এল এ ঙমথং হাওকিপ অমসুং ৱাংজিং টেন্থা এ সীগী এক্স এম এল এ পাওনম ব্রোজেনবু এদভাইজর টু চীফ মিনিষ্টর ওইনা হাপখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা চীফ মিনিষ্টরনা খঙহল্লকপনা মরম ওইরগা এক্স এম এল এ পাওনম ব্রোজেন অমসুং এক্স এম এল এ ঙমথং হাওকিপপু খুদক্তগী চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজরশিং ওইনা হাপ্লে। এক্স এম এল এ অনীবু চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর ওইনা হাপখিবা অসিগী টার্ম অমসুং কন্দিসনশিংদি কোন্না খঙহলগনি হায়না লাউথোকখি।

## ‘এদ্যুকেসন মতিক চানা লৈরবা অমদি মশানা মরোমদম লেপচবা ঙল্লবদি খুন্নাইদা অচৌবা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

রিথিঙ্ক ইন্দিয়া ফোরমগী মায়কৈদগী শ্রীমতি সুশমা স্বরাজ ষ্ট্রি শক্তি সম্মান ২০২০ ফংলকখিবা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংদা থবক তৌরিবী মীওইশিংনা পাউচে অসিদা এৱার্দ অসি ফংলকপগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি।

মণিপুর লৈঙাক্কী পুলিস দিপার্টমেন্টতা দি আই জি পি (এ পি-২) ওইরিবী অচিন হাওকিপনা ফোঙদোরকখিবদা মতম কুইনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকপা অসিবু লৈবাক মীয়াম্না শকখঙবিরদুনা সুশমা স্বরাজ ষ্ট্রি শক্তি সম্মান এৱার্দ পীবিরকপা অসি হায়নিংঙাই লৈতনা



অচিন হাওকিপ, দি আই জি পি (এ পি-২)



অন্রিতা শিনহা, আই পি এস



ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, এম পি এস



জেসিনথা লাজরস, আই এ এস

নুংঙাইবা ফাওই। লমদম অসিদা লৈরিবা নুপীশিংনা মানা-মানা তৌরিবা থবকশিংদা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তাই। মরমদি খুন্নাই অসিদা নুপীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওবা হায়বদু ওই। হৌজিক্কী হৌরক্লিবা নুপীমচাশিং য়াম্না শিংবা অমদি লাইরিক য়াম্না হৈরবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মশাদা লৈজরিবা টেলেন্টশিং অদু মফম চাবা মফমশিংদা শীজিন্ননবা হোৎনবা ঙম্নবা হোৎনহন্নিংই। লোয়ননা মশাগী নুপী অমা ওইবগী ফংলিবা রাইটশিং য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা অমগা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## মিনিষ্টর ওইরবা ওক্রম হেনরিগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনগী ইস্যু ফ্রেম তৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :

হন্দক্তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্কী পাঙথোকখিবা মিনিষ্টর রিসফলদা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবা য়াওখিবা ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সিগী ওক্রম হেনরিনা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিদা এ সী অসিগী এম এল এ ওইনা কারককখিববু চেলেঞ্চ তৌরদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পীটিসনগী অরোইবা ৱায়েল চথনবগীদমক ‘ইস্যু’ শিং ফ্রেম তৌরগনি হায়রি।

ইলেক্সন পীটিসন অসি এ সী অসিগী হৌজিক্কা মিনিষ্টর ওইরবা এক্স এম এল এ অসিগা লম্বা তৌনখিবা য়ুমখাম ইরাবতনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর ২ ওফ ২০১৭ নি। পিটিস্নরনা ইলেক্সন পিটিসন অসি কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী রিল্টে লাউথোকপা চহীদুমক্তদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অসিদা ওক্রম হেনরি অমসুং অতোপ্পা মীওই অমা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসিগী লেপ্তুনা চথরকপা ৱায়েলগী মখা তাবা থবকশিংগীদমক হয়েং হায়কোর্টকী জষ্টিস এম ভী মুরালিদরনগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-৯দা লিষ্ট তৌদুনা খন্ননবগীদমক থৌরাং তৌখ্রে।

হয়েং ইলেক্সন পিটিসন অসি লিষ্ট তৌরকপগা ইরোইননা পাউচে অসিনা মসিগী পিটিস্পর ওইরিবা ভেটেরান পোটিসিয়ন ৱাই ইরাবতকা পিটিসন অসি ফাইল তৌবগী মরমশিং অমসুং হৌজিক কোর্টতা ৱায়েল চথরিবা কেস অসিগী ষ্টেটসকী মতাংদা হংবদা মহাক্না হায়, কেস


...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১০৫ য়াওনা মীওই ২৪৮ পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

পুং ২৪গী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১০৫ য়াওনা মীওই ২৪৮ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নুপা ১১৬ অমসুং নুপী ৬৪ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৮০ অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স সী এ পি এফগী পর্সনেল ৬৮ পুন্না মীওই ২৪৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা থেংনখ্রে।





পোজিটিব কেসশিং অসি রিমসতা ৬৪, জেনিমসতা ৮৭, উখ্রুলদা ৪, রাজ মেদিসিটিদা ১০, শিজ হোস্পিটালদা ৬, সী এম সীদা ১, বিষ্ণুপুরদা ৪, হিল সাইদ হোস্পিটালদা ১, লিট্টল ক্লিনিকতা ১, ইবোয়াইমা হোস্পিটালদা ১, তমেংলোংদা ৩, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২৯,

...মখা লামায় ৩ কলম ২

### ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা দেষ্টিনেসন নোর্থইষ্ট-২০২০ ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে

# ইং-তপ্পগী লম্বীদা লাক্ত্রিবা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌলুপশিংগী ইস্যুশিং কুমজা ২০২৪ ফাওবদা সেট্টল তৌরবা য়াই: অমিট সাহ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা দেষ্টিনেসন নোর্থইষ্ট-২০২০ ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা হায়খি, ইং-তপ্পগী লম্বীদা লাক্ত্রিবা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌলুপশিংগী ইস্যুশিং কুমজা ২০২৪ ফাওবদা সেট্টল তৌরবা য়াই। হৌখিবা চহী ৬ লোম অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা অৱাং নোংপোক্তা ইং-তপ্পা পুরক্লবগীদমক থৌরাং কয়া অমা পায়খৎখ্রে। সেন্টরনা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌলুপ ৮গা খুৎয়েক পীনবদগী লাল হৌরম্বা মীওই লিশিং কয়া খুৎলাই থাদোক্তুনা





ইং-তপ্পগী লম্বীদা লাকহনখ্রে। ইং-তপ্পগী লম্বীদা লাক্ত্রিবা লেমহৌরিবা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌলুপশিংগী ইস্যুশিংসু মফম অসিগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা লোয়ননা কুমজা ২০২৪ ফাওবদা সেট্টল তৌনবা হোৎনরি। হৌখিবা মতমশিংদা মণিপুরদা তোয়না তৌরম্বা ব্লোকেদ অদু হৌজিক্তি তৌখিদ্রে। ইন্দিয়া বাংলাদেশ লেন্দ বাউন্দরি এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবগা লোয়ননা অসামগী বোড়োশিংগী ইস্যুশিংসু লোইশিনখ্রে।

মহাক্না হায়খি, অৱাং নোংপোক লমদমগী শেন্মিৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি টুরিজম ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহন্নবা লমদম অসিদা ইং তপ্পা লৈবা য়াম্না মথৌ তাই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা অৱাং নোংপোক লমদম অসিবু টুরিজম অমদি লল্লোন ইতিক্কী দেষ্টিনেসন অমা ওইহন্নবা কন্না হোৎনরি। নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা নোর্থ ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মহাক্কী খোঙচৎ ৩০ হেন্না চৎখ্রে। নীং-খা তম্নবা মতুংদা অৱাং নোংপোক

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## ‘লাইবক থীবা থৌদোক্লি, অমুক হন্না থোক্তনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

টেংনৌপল পি এসকী মনুং চন্না লৈবা আইমোল চীংনুংহুৎ অমসুং আইমোল খুনয়াইগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৪৫ রোম তাবদা খৎন-চৈনবা থোক্তুনা মীশি-মীনা, অশোক-অপন য়াওখিবা থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি বি এম য়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খুন অনীগী ৱাথোক অসি মখা শমথদনবা হোৎনবিয়ু। লৈঙাক অমদি পুলিসনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পামদবা থৌদোক মখা তানা থোকহন্দনবা থবক পায়খৎপিয়ু। মণিপুরদা য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোক অমা হায়রগদি লমগী ৱাহৌদগী খৎন-চৈনদুনা মীশি মীনা থোকপা অসিনি। লমগী ৱাহৌদগী খুল অমগা খুল অমগা থাজনদে, ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা থাজনদে, খুঞ্জা মশেল ফাওবা থাজনদে। মসি কুইরবা লায়না লাইচৎ অমদৌনা লৈরে। তুংদসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপা য়ানা লৈরি। লৈঙাক অসিনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী খৎনরিবা শাউনরিবা খুল মশেল ৱারী শানদুনা ঙাইহাক্কীদি ৱারোইশিন লৈখিগনি। অদুবু অতোপ্পা মফম অমদা অমুক থোরক্কনি। মরম অদুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫